# খুন্নাইদা মহাম তারবা - মিঙ্গৌ-থাগৌ অমদি থকসি-খাসি-৪

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং



*হৌজিক্কী*য়াম্না চমন্নরবা খুন্নাইদা ‘ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙনা য়েক্লবা ফাওবা পেলহল্লু/শুমহৎলু’ হায়বসি ৱাহন্থোক য়াম্না লৈরক্লি। মসিদা য়াওরিবসি মী অমনা মী অমদা কৌগদবা/হায়গদবা ফজবা/অচুম্বা মিঙ্গৌ অমদি থকসি-খাসি অনীমকনি। খুদম ওইনা, মী অমনা খঙনবা/খঙনদবা মী অমদা করিগুম্বা অমা হায়রুবদা শাউরকপা/শাউদবা হায়বসি হায়রিবা ৱাঙাঙ হায়বদি মিঙ্গৌ, নাকল অমরোমদা, মদুগী মখা য়াম্না পোনগনি। ইপাগুম্বা অমদা করি মিঙ্গৌ কৌদগে করিমত্তা খন্থদনা নমহায় নৎত্রগা তাদা/তামো হায়রুরবদি করিগুম্বা মতমদা অহলদুনা শাউনা অসুম্না হায়রকপা য়াই ‘‘নপাগুম্বা ঐঙোন্দা ইচা য়াইমা/অতোনবগুম্বা নঙনা তাদা/তামো হায়না কৌরগা/হায়রগা ঐনা হেক্তা হরাউগনি খনব্রা? মিঙ্গৌ হান্না খঙনবা অমুক্তা তল্লুখো। মসিগী মাঙজবনা করিনো হায়বদা - মখা তানা নহাদুনা খঙনীংলিবা ৱাফম/হায়নীংলিবদু খঙবা/হায়বা য়াররোই। মসি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা অমদি করিগুম্বা মতমদা খ্বাইরম্বন্দা মনা-মশিং য়োল্লিবী খরগীদসু থোকপা য়াওই। মদুদনা করিনো হায়বদা - অহল হায়বদি চহী ৬০দগীনা ৭০ ফাওবগী নুপাশিংনা পোৎ লৈনবা ইবেম্মা নঙগী/ইচাগী পোৎসি কিলোদা লুপা কয়া ওল্লি হংলুবদা - মশাগী চহী মতাং খঙদনা/খন্থদনা তাদা/তামো অদুক হায়রকপা/মশাগী চহী ৫০গী মথক ওইগদবীদুনা অমুক ফজরবা মিঙ্গৌনি হায়দনা চহী মতাং চাদনা ‘পাবুং’ হায়বদা পোৎতুবুদি মথৌ তাবদগী লৈরবসু মতুং তাবদদি অদুগুম্বী খুন্নাইগী চৎনবী মিঙ্গৌ খঙদবীশিং অদুদগী পোৎ লৈনীংদবা য়াওদবা নত্তে। মসিনি ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, মতাং-মতম চাদনা শোয়বা হায়বদুগী মাঙজবা/ফত্তবা। পোৎকী মমল খরা খিৎ তাঙলবা ফাওবদা ফজবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙনা ইরায় লায়না পোৎ য়োনবা নৎত্রগা খঙনীংলিবদু য়োনবা/খঙবা ঙম্বগী খুদম অমনা অমুক - তাদা/তামো, ইচা/পাবুং (শকফম য়েংলগা) ঙসিগী ওইনদি পোৎকী মমলসে ঐখোয়না লৌফমদগীসু মমল খরা ৱাঙনা লৌরকপনা য়াদদনা তৌজবনি, ঐখোয়না খরা হোং চাউনা লৌরকপা মতমদদি খরা হোঙনা অদুম য়োঞ্জবনি। ঙসিগীদি মমল খরা ৱাঙবসিগীদমক ৱারৌবিগনু/চিংনবীগনু। মতাং অসিদদি লৈনীংলমদবা/মমল হেন্না য়োল্লে হায়দুনা খরা শাউগে তৌরম্বদু ফাথবা ঙল্লগনি। অদুদগীদি পোৎ লৈরিবদুনসু - হোয়দা, ইচাসিদি/ইমা/ইচাসিদি মমল মাঙনা পোৎ য়োনবদি য়াদবনিনা - তাঙলবসু তাঙনা পোৎ ফংলিবসিনা হেন্না ফরবনি হায়রগা পোৎতু অদুম লৈনখিগনি। মসিবুনি মীগী থম্মোয় পেলহনবা/শুমহৎপা হায়বসি। ইমুং অমদা মচানা/মশুনা ইমুংদুগী মমা/মপা/মপূ/মবেন/মখুরা-মতোন/মনে ওইরিবদুনা ফীভম/মতমগী মতুং ইন্না য়াম্না তৌহন্নীংদবা/শোয়হন্নীংদবা থবক/মরম অমা তৌরুবদা য়ূমদুগী ওইনীংবা অহলদুনা শাউবদগী ফূগে/চৈগে তৌবদা - অঙাংদুনা কৌবা য়াবা মিঙ্গৌদু কৌরগা কিবদগী অমুক হন্না তৌজররোইয়ে-ফূবিগনু/চৈবিগনু - মতুংদা অমুক হন্না ঐ তৌজররোইয়ে’ হায়রকপদা অহলদুনা তঙাইফদবদগী মতুং মনাও তৌদনবা খরা ৱারক ৱাতেমনীংবদগী অমুক অনীরক খরা চাং য়াম্না হন্থনা ফূরবসু/ফূজিন্নরবসু মতুংদা তৌবা য়াদে/ফত্তে হায়বসি অমুক তৌরবদি ঙসি ফূরিবা/চৈরিবসিদগী হেনগদবনি হায়রগা তোক্লগনি। মসিবুনা ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙনা য়েক্লবা ফাওবা পেলহল্লি/শুমহৎলি হায়বদুগী কান্নবা/মতিক ময়াই অশেংবদুনি।

মসিগী মতুং তারকপদা - মতাংগী মতুং ইন্না ফজবা মিঙ্গৌ অমসুং থকসি-খাসি উৎপা ৱাহৈ খরদি ‘ইবুংঙো/ইবেম্মা’ হায়বসিনি। অহানবা শীজিন্নফম্না অহলনা নহা ওইবদা নৎত্রগা নুংশিবা মচা-মশু নৎত্রগা খঙনবা খঙনদবদা ফজবা মিঙ্গৌ ওইরগা থকসি-খাসি উৎপদা শীজিন্নবা য়াই। খুদম, মচানা/মশুনা পায়রিবা/তৌরিবদু খামহৌদ্রগদি/থেল্লগা লৌহৌদ্রগদি অফবা ওইরোইদবা হায়বদি পোৎতু শীজিন্নবা য়াদনা মাঙখিবা য়াবা/মশাদা শোক পনবা য়াবা (খুদম - থাঙ পায়রগা য়ান্দুনা শান্নবা), অসিগুম্বা মতাংদদি হেক্তমক কিহন্দুনা/নম্ফুদা মুনগে তৌরুরবদি পোৎতু লংথোকখিবদগী/মখাদা থাদখিবদগী/থাঙদু লংশিল্লকপদগী/মুনগে তৌরুবদা মখূৎতা লেনবা/মশাদা শোকপনচিংবা করিগুম্বা অমদি থোকপদু থোকহন্দনবা/খান্নবা ওইনা - মতমদুদা থেম্বা য়াবদি ‘ইবুংঙো/ইবেম্মা, ইচাদি-ইশুদি মরম ওকই, ইমাদা/ইপুদা/ইবেন্দা পীরকউ, অহাউবা পিজগে/লৈবিগে... মতাং মতমদুদা মসিদগী হেনবা হায়বা য়াবা হায়রগা লোয়নবা য়াই। মসিগী মিঙ্গৌগী মওংসিনি নুংশিনা অঙাংশিং/নহাশিংবু লোয়নবীবগী মচৎনি। মতাংসিদনা অহলনা মখা তাবদা উৎপা ফজবা মচৎনি। মসিবু ‘খাসি’ হায়রগসু খঙনবা য়াই।

অনীশুবা অমনা, মীয়াম্বু অমদি লাই হায়না খঙনবশিংবু নুংশিনা অমসুং থাজবা অমগা লোয়ননা শৈথাবা মতমদা শীজিন্নবা অদুগুম্বা ফজবা মিঙ্গৌ অমদি থকসি-খাসিনি। খুদম, মীয়ামগী মীফম অমদা তিল্লিবা নুপা-নুপী ময়ামদুদা - ‘তিনবিরিবা ইবুংঙো/ইবেম্মা, নুংশিজরবা অমদি ইকায়খুম্নজরিবা-খুম্নজরিবী অহল লমনশিং’ হায়বদা ৱা ঙাঙলিবা/ঙাঙলিবী মীশক্তুনা ঙাঙলক্কদৌরিবদু তানীংলবসু/তানীংদ্রবসু অহানবদদি তানীংবগী ইঙ্গিৎ অমা শোয়দনা উৎলক্কনি। মদুগী খুদোংচাবদু ৱা ঙাঙলিবশিংদুনা লৌনবা হোৎনবা তাই। খ্বাইদগী মরু ওইনা - ‘ইবুংঙো/ইবেম্মা’ হায়না শীজিন্নফমদি ইশা ইশানা থাজবা লাই হায়বা মীৎনা উবা ঙমদবা, থম্মোয়গী/ৱাখলগী অশেংবা পাউদম পীনীংজবা অদুদা থম্মোয় পেন্না হরাউনা/য়াম্না থম্মোয় শোক্লা শৈথাবা মতমদা অয়াম্বনা শীজিন্নে। খুদম, ‘ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীগী থৌগল পুন্সি নুংশাংনা, অঙম্বা থাক্তা তৌবা ঙম্বা পীনবিয়ু। ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীগী থৌজাল নত্তনা ননাই তোল্লবা/তোল্লবীগী ইতিক লৈজদে। হিংলিবমখৈ ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীগী মুৎনাইদবা/কাউঙল্লরোইদবা মীঙ্খে শোনবা ঙমহনবীয়ু। য়োল্লবদা ঙাকপীয়ু, লাল্লবা কয়া কনবিয়ু, ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীগী থৌজালগী ঙাকপী হৈবা/হৈবী নতিক নয়াইনা।’’ নাকল অমরোমদা অমুক, ‘ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীমক পেল্লোকো, ইপূরোইবগী/ইচাগী শিগদবা নাগদবদগী ঙাকথোকপীয়ু, কনবিয়ু হায়জদুনা ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীগী খূয়া খাদা হায়জ নোঞ্জবগী মহয় ওইনা ইপূরোইবা/ইচা শেৎনা খায়নহনবীরে, হৌজিক্তি ইবুংঙো/ইবেম্মা অনীমক্লা পেনবিরোকো।’’ মতাং অসিদা শীজিন্নরিবা ইবুংঙো/ইবেম্মা হায়রিবা মিঙ্গৌসিদি লাই নুপা/লাই নুপীশিংদি মতম লৈবা খিবিক্তা নৌদুনতা লৈবগী ৱাখল্লোনদুনি। ইনৌতা নৌদুনা লৈ তাকপদা শীজিন্নবনি। মীরোল কয়া অমা হৌখিনি, মীরোল কয়া অমা লাক্কনি। হৌখিবা মতম হৌজিক ওইরিবা মতম অমদি তুংদা লাক্কদবা মতম অহুম্মক্তা চপ মান্নবা অদুম লৈ হায়বগীদমক্তসু লাই নুপা/লাই নুপী (লাইরেম্বা/লাইরেম্বী) শিংবু লৌদুনতা লৈবদগী ফীভমদু থম্মোয়দা/ৱাখলদা চিংশিঞ্জরগা শৈথাবা পামজবশিংনা ‘ইবুংঙো/ইবেম্মা’ হায়না তত্তনা শীজিন্নবা ৱাহৈনি/মিঙ্গৌনি। মসিবুনা ‘থকসি’ হায়বদুনি।

থকসি-খাসি :- ফজবা/অচুম্বা মিঙ্গৌগা লোয়নবদা থকসি-খাসি ঙাকপা হায়বসি খুন্নাইদা য়াম্না মথৌ তাই। মসিবু মীপূম খুদিংমক্লা ঙাক্লা চৎত্রবদি খুন্নাইদু মহাম তারবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। ঙাঙনীংবতা ঙাঙলগনি। তৌনীংবতা তৌরগনি। অহল-নহা/থক-খা খঙলরোই। ইমুং ওইরে-কাং খোং চায়বা হায়বদু ওইরনি। খুন্নাই অমদি লৈবাক্তুদা হেন্না হেন্না মাঙ তান্নবগী মরম ওইরক্লগনি। মনিং হনবা খুন্নাই/লৈবাক অমা শোয়দনা ওইরগনি। থকসি-খাসি হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংদা, হীরম খুদিংদা মথৌ য়াম্না তাই। মসিদা খঙজিনবা য়াবা অমদি থকসি হায়বনা করিনো, খাসি হায়বনা করিনো হায়বসিনি। নহানা অহলদা/মীচম মীয়ামদা লৈঙাকপশিংদা অমদি লৈঙাক্লবা লৈরিবা থৌবুরোয়শিংদা মফম মতমগী মতুং ইন্না উৎফম থোকপা থৌওংবু ফজবা মিঙ্গৌগা লোয়ননা কৌদুনা/হায়দুনা লৈবা চৎনবীদুবু থকসি কৌই হায়না থমজগে। হায়বদি মখা থাবশিংনা মথক থোংবশিংদা উৎপা ফজবা চৎনবীদুবু থকসি হায়রগা খঙনগনি। খুদম অমদা মচা/মশু ওইবশিংনা মমা-মপাদা/মপূ-মবেন্দা কৌগদবা মিঙ্গৌদুগা লোয়নবা ফজবা ইকায়খুম্নবা উৎপা মওংদুদা মথক থোংবা ওইরিবশিংদুনসু ফজবা পাউখুম/মীংচৎ (লীচৎ) পীরক্কনি/উৎলক্কনি/ মপা-মমাদা- নঙনা হায়রিবদু ঐনা তাগদবা নত্তে, ইনগদবা/লৌগবা নত্তে হায়রবদি খৎন-চৈনবা শোয়দনা থোরক্লগনি। খৎন-চৈনবমক থোকত্রগনা, ইচানি/ইশুনি নঙবু/নখোয়বু খঙসনু/ফসনু হায়বদা/তাকপদা লৌদ্রবা/য়াদ্রবনিনা মাঙগেরা-তোংগেরা, নঙনা থোকপা তৌজখ্রো হায়দুনা শাউনা ইন্থোকপা হায়বসি মশানা তারবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, মচাদুনা/মশুদুনা খঙদবদগী ফগদ্রা হায়না খল্লগা তৌরুবদা শোয়বদগী ফৎতবা ওইরকপা মতমদা - য়াম্না কিজনা/থৌগল্লোনগা লোয়ননা পাবুং/ইমা-নচানা পাবুং/ইমাদা হংলমদনা/তান্নরমদনা ফগদ্রা হায়দুনা তৌরুবদগী য়াম্না ফৎতবা হায়বদু হৌজিক্তি ওইরে। নচাসু য়াম্না নুংঙাইজদে। শোয়খিবা লানখিবশিংগীদমক পাবুং/ইমানা নৎত্রগা পাবুংগা ইমাগনা নচাবু ঙাকপীয়ু হায়রকপদা - মপা-মমা ওইবনা মপূক্লিংদদি হান্না হংলমদবা/তান্নরমদবদুগীদমক খরা ৱারৌবা ফাওজরবসু মপান্থোংদদি মচাবু ঙাকপীদ্রগদি মদুনা তুংদা ফত্তবা ওইরক্কদৌবদুগীদমক খল্লগা শোয়দনা হায়রক্কনি - ফরে হন্দক্কীদি শোয়খ্রবনিনা, মসিগী মতুং তারকপা থবকশিং/মরমশিংদদি হান্না ঐখোয় তরেৎ তরা থোক্লা খন্ন-নৈনরগা তৌশিকো ইবুংঙো/ইবেম্মা হায়রগা মচাদুদা ৱাখল হন্থদনবা হায়বিবা মশানা তাবনি। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা দেমোক্রেসিদা মপূ ওইজরগসু, মতাং মতম, ফীভমগী মতুং ইন্না লৈঙাকপশিংদা অমদি লৈঙাক্কী অশিন-অরাং ওইরিবশিংদসু উৎফম থোকপা থকসি/থৌগল্লোন উৎলগা কৌফম থোকপা মিঙ্গৌ কৌরগা য়াম্না পূকচেল খোয়জেল তিন্নবা মানবা মওংদা তাথোক তাশিন তৌরগা খুন্নাইগী/লৈবাক্কী ফনবা তৌবা য়াম্নমক মথৌ তাই।

অমুকসু, দেমোক্রেসিদা মীচম মীয়াম্না অয়াবা পীরগা মীহুৎ ওইনা থাগৎখিবশিংনসু অচৌ-অশাং, এম এল এ, মন্ত্রি ওইরবা মতমদা - লৈবাক মীয়ামগী মহুৎ শিনবা মপি-মপা হায়বদু ওইরবনিনা মখোয় মশাগী মরী-মতাগী য়াইফনবা ঙাক্তা খনফম থোক্তে। মখোয়বু মতেং পাংনবা লৈরিবা মখা থাবা থৌমীশিংগী মরক্তা কনাবু-করম্ববু তান্নগদগে হায়বদু খঙদোক্লবা মতুংদা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্তা লৈরিবা মীচম মীয়ামশিংগী ফনবা খন্নবিরগা তৌবিবা য়াবা অপূনবগী ওইনা/য়াম্না শোত্থবা ওইরগনা লন্নাইগী ওইনা মথক্তা মখাদা থেংনরিবা য়াবা মীৎয়েং অমদি থৌশিলগী মখাদা তৌবিবা থৌওংদুবুনা খাসি হায়নরিবসিনি। মীচম মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা থাগৎতুনা অৱাংবা থাক্তা লৈরবা মতুংদা নখোয়গী নৱা লৌগদবা নত্তে, তৌনীংবতা তৌগনি, ঐখোয়না তৌরিবসিদা য়েংউ হায়বগী ৱাখলদা লৈরবদি লৈঙাক্তু মরা চেৎলোই। তুং কোইনা চৎলোই। দেমোক্রেসিগী ফৎতবা মচৎ অমদি মশীং হেনবনা পাঙ্গলনি, ঐগী লৈঙাক কায়রোই হায়বগী চৎনবী লৈবসিনি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবা ৱাফম অনীনি। অহানবনা, লৈঙাক কায়দ্রবসু মীচম মীয়ামগা নকশিন্নবা ৱাৎলকপদগী লৈবাক মরা চেৎলোই। তোঙান তোঙানবা ঈহৌ হৌরক্লবগী মরম ওইরক্কনি। অনীশুবদনা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগীদদি ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল চহী ৬কী ওইবদা লেমহৌবা ষ্টেট অতৈগীদি চহী ৫/৫গী মীরেপ মীখল ওইবনিনা, মতুংগী মীখলদদি পেন্নদ্রবা মীচম মীয়ামগী অপাম্বা ৱাখলনা খনবদুনা ওইগদবনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা পায়দবা হায়বগী ৱাফম ওইরক্কদবনা মথক্লা মখাদা য়েংবীফম থোকপা মীৎয়েং/চৎফম থোকপা মীচৎ (লীচৎ) তু চৎফম থোকপ্রা হায়না খঞ্জে। অচুম্বা মিঙ্গৌ অমদি অফবা থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎনদুনা চাওখৎপা খুন্নাই অমদি লৈবাক অমা কুমজা ২০১৯সিদগী ওইহল্লসি। ⏮

# মণিপুর কন্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা থমজনীংবা ৱাফম

- এন লৈরেন-



*মণিপুরগী* ৱাথোকশিং মরুওইনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ মাঙবগী ৱাফম, ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী অরোনবা ৱাফমগী লৈতানদ্রবা খুন্নাই, এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়বগী ঈরাংদা থা ৪ হেন্না মহৈ তম্বা ফংদ্রবা এম য়ুগী ৱাফম, আই এল পি বিলগী চরাংনবা পূন্নমকসিগী মৈ হৌদুনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা অমুক সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ লোক সভাদা পাস তৌগদৌরে তাবদা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা ঈয়াইদা তাওবা কাওশিংনা মায়কৈ খঙদনা তাওবগা পাঙ্খক ওইরবা মণিপুরগী মীয়াম পূন্নমক্লা মীপাইনরিঙৈ নেসোনা অৱাং নোংপোক্তা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল চৎনবা য়ারোই হায়দুনা থা অসিগী ৮, ২০১৯, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখিবা নুমিৎতুমক্তদা লোক সভাদা বিল অসি পাস তৌখ্রে।

লোক সভাদা পাস তৌরবসু রাজ্য সভাদা থাঙ্গৎলগা রাজ্য সভানা অমুক পাস তৌরগা এক্ট ওনগদবনিনা বিল অসি রাজ্য সভানা পাস তৌদনবা মণিপুরদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ চৎনবা য়ারোই হায়দুনা মণিপুরগী মহৈরোয়গী ওর্গেনাইজেসন পূন্নমক, পোলিটিকেল পার্টি কয়া অমদি মীওই কয়ানা বিলসিগী মায়োক্তা ধরনা কয়া ফমদুনা, প্রোটেষ্ট রেল্লি কয়া চত্তুনা, কনভেন্সন্নচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা লাউরি। অদুবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনদি বিল অসিনা নোর্থ ইষ্টতা করিসু শোক্লোই হায়রি। মীকোক লাক্ষ ২৬/২৭ খক লৈজবা ঐখোয়মকসু লৈফম লৈরক্তবা মণিপুরসিদা বিলসিনা পুশিল্লক্কদৌরিবা মীতোপ মীশিংদি হিন্দু, শিখ, জৈন, পর্সি, বুধিষ্ট, খৃষ্টান পুল্লপ্না ক্রোর ২ হেনগদৌরিবনি। মসিনা নোর্থ ইষ্টতা চাইথোক্তুনা লৈরবা মতমদা মশীং য়ামজদবা য়েলহৌমী ঐখোয়বু য়োৎশিনখিগনি।

ত্রিপুরাদা ত্রিপুরিশিংবু অতোপ্পদগী লাকপা হিন্দুশিংনা মাঙহনখিবগুম ঐখোয়বুসু য়োৎশিল্লক্কনি। সিটিজেন বিল ১৯৫৫ (৬) তা হায়রি, করিগুম্বা মফম অমদা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা খুন্দাবা চহী ১১ শুরবদি মখোয়বু মফমদুগী সিটিজেন ওইহনবা য়ারে। মরম অসিনা বিল অসি থিংহৌবা /চৎনহন্দবনা মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টকী অফবা ওইগদবনিনা পার্টি খুদিংমক্কী সেনিয়র, জুনিয়র পোলিটিসিয়নশিং, প্রাইমারি মেম্বর অমদি সিম্পেথাইজর পূন্নমক্কী কোক চুংশিন্নবিরো।

ঙসি ফাওবদা ঐখোয়না জুন ১৮ হায়দুনা সেলেব্রেট তৌরিবসি নাগা অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী সিজ ফায়রদা মণিপুরদা লমখৈগী অকক্লবা লৈতবা হায়বা ৱাফমদা মণিপুরদা সিজ ফায়র চৎনবা য়ারোই হায়না মীওই পূন্নমক্লা হৌরকপা ঈহৌদা মীওই ১৮ থৱায়না পোন্থা পীখিবদু নীংশিংসি। মীয়াম হুপ্না থেংনবদগী বিল অদু হন্দোকখিবা/চৎনহনখিদবদু ঐখোয় কাউফম থোক্তে। ঐখোয় করিগুম্বা বিল অসিনা পাস তৌদুনা এক্ট ওনখিবা থোক্লবা জুন ১৮দগী শরুক ১০০/১০০ হেনবা ঈরাং থোক্লক্কনি। মরম অসিনা ঐখোয় মণিপুরী পূন্নমক্লা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা চুংশিন্নবা মথৌ তারে। চুংশিন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা নেসনল অমদি ষ্টেটকী কোংগ্রেস পার্টি অমদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা ঐগী/ঐখোয়গীদি শোয়বা য়াদে, ওইদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকপীরগা মণিপুর কন্নবা ৱা খন্নবিরো।

নীংশিংবীগদবা অমনা, হৌখিবা জুন ১১, ২০১৮দা পাঙথোকখিবা বেঙ্গলুরগী জয়ানগর সিটিগী ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসকী মীরেপ সাউম্যা রেদ্দিনা বি জে পিবু মায়থীবা পীরম্লগা জয়ানগরগী সিট ফংখিবদু জে দি এস (জনতা দল সেক্যুলর) না লৈঙাক য়াওনা য়াওনা মশাগী মীরেপ থাদোক্তুনা সাউম্যা রেদ্দিদা ফুল সপোর্ট তৌখিবনা সাউম্যানা সিট অদু ফংখিবনি। জে দি এসনা কখোক্লমদ্রবা মশাগী মীরেপ পুথোক্লল্লবদি সাউথম্যা তুরম্বসু য়াই।

থমজনীংলিবদি কোংগ্রেস অমদি পার্টি খুদিংমক্লা জে দি এসকী কখোকখ্রিবা ৱাখল্লোনবু মতম চূপ্পদা কোংগ্রেস পার্টিনা নীংশিংবীয়ু। ঐগী/ঐখোয়খক্তগী হায়বা অখুবা মীৎয়েং, অপিকপা ৱাখল্লোন থাদোকপীরগা খরা পাক শন্না য়েংবীয়ু। লৈবাক্কীদমক খনবীরগা য়ৈরক্লিবা পুংলোনসিগী তান্থা চানা জগোয় শাবিদুনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর কন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌবিরো। ‘তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই’ হায়বা ইপা ইপূশিংগী পাউরৌ কাউবীরগনু। পিকখ্রবা ককচেং শঙ্গুনা চাউখ্রবা তিন্থোকপু করিসু লৈতনা পুবা থৌনাদু নীংশিংবিরো। ⏮

